# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১২৭

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

**মণিপুরদা** অহোঙবা লৈঙাক অমদি লৈররে। মতম শাংনা লিশাং শিংনা চথুরকপা শেঞ্জা থুমজা, ৱাথোক্লা থল্লবা কোংগ্রেস লৈঙাক ইথা থাজদনা থুপচিনখ্রে। পোলিটিক্স হায়বসি মতম মতমগী ওন্দে-হোঙদে হায়বদি য়াররোই। মণিপুরদসু অহোঙবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমদি মণিপুরদা থুংলখিবা চোঙথোক-চোঙশিনগী কল্লবা ঈরাংদু ঙসি ফাওবা ময়েক শেংনা মৈ-ঈশিংনা চামদুনা কোকহনবা ঙম্লরোই। মসিগী মনুংদা মণিপুরদা সিট ৬০ লৈবা মীখলদা মীয়ামগী অশেংবা ভোটতা কোংগ্রেসনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না কাবা পোলিটিকেল পার্টি ওইনা মীয়াম্না পীরকপা ফলনি। অদুবু মশীং তানা কারকপা বি জে পিনা লৈঙাক শেমখিবা অসিসু অচৌবা অহোঙবা অমনি। কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকপা এম এল এ অমনা বি জে পিদা চোঙশিন্দুনা লৈঙাক পায়মিন্নখি। মসিসু অঙকপা অহোঙবা অমা নত্তে করম্না হায়রুগনি। মসিগী মথক্তা মশীং য়াম্না কাবা কোংগ্রেসতা লৈঙাক শেম্নবগী অয়াবা কান্থোক্লকম্লগা মশীং য়াম্না কাদবা বি জে পিদা লৈঙাক শেম্নবগী খুদোংচাবদু পীখিবসিমক অচুম অরানগী ৱাফম নত্তনা অহোঙবা শক্তম অমনি। মসিনা তাকপদি দেমোক্রেসিগী অশেংবা মশক অদু পোলিটিকেল পার্টিগী অশোনবা অহোঙবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

পোলিটিকেল পার্টিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোনবু কান্থোক্তুনা চৎলিবা মশীং য়াম্না কাদবা বি জে পিনা লৈঙাক শেমখিবা অঙকপা অহোঙবা অমা নত্তে করম্না হায়গনি, মসিবু অচুম্বা লৈরিবরা? মসিগী মথক্তা চোঙথোক চোঙশিনগী আইন অদু ঙসি ফাওবা মনা-মনিল নাইদবসিসু অহোঙবা অমনি করম্না হায়দবা য়ারিব্রা? মসিগী মথক্তা মখা তারকপদা মথং মথং চোঙথোরকপা অঙকপা অহোঙবা অমদি খঙনা-খঙনা ঙসি ফাওবা মনা-মনিল নাইদবসি অহোঙবা অমনি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইবা য়ারোই হায়বা লৈনা লৈনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইগনি হায়না লৈরিবা অফোঙবা পোলিটিকেল পার্টি চোঙথোরকপা মতমদা করিসু অথিংবা লৈতবসিসু অহোঙবা অমনি। মসিনা মণিপুরদা ঙসি ফাওবা চথুরল্লিবা পোলিটিক্সকী ঈচেল অসি অঙকপা নত্তে করম্না হায়দবা য়ারিব্রা? মণিপুরদা চথুরিবা থৌওংশিং অসি মীরৈবাক্কী মীয়াম্না অঙকপা অমা ওইনা লৌনরল্লিবসি থোইনা ঙক্লিংঙাই লৈতে। মরম কয়াশিং অসিনা ঙসিগী মণিপুরগী মীয়াম্না পোলিটিক্সপু থাজনীংঙাই লৈতবা অমা ওইনা লৌনরল্লিবসি ঙক্লিংঙাই ওইদে। মতমগী য়াওলদা থিংবা ঙমদনা চথুরকপা কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সন থুংলগনি।

মণিপুরগী পোলিটিক্সকী থাক অসি নোংমা নোংমগী নেমথরল্লি। মসিদা শক্তি পায়বা পোলিটিকেল পার্টিনা মখল মথেলগী শক্তি শীজিন্নরক্তুনা শেঞ্জা থুমজাগী থাক অতিয়া পক্লা ৱাংখৎনরক্কনি। মতাং অশ্বাইদা পোলিটিকেল পার্টি খরদি নুংশা মঙালদা উননা তুম্বগুম মাঙখ্রগনি। মসিদবু শেঞ্জা থুমজাগী কল্লবা ঈচেল লৈত্রে করম্না হায়রুগনি। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী মনুংদসু কোংগ্রেসকী মশক নোংমা নোংমগী শোন্থরল্লি। মসিগী মথক্তা বি জে পিগী ঈহৌদি কনখৎলকই। মসিনা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ওইনা য়েংলুরবদি বি জে পি কনখৎলব্রা। মদুসু কনানসু হায়বা ঙম্লোই।

মপূং ওইনা বি জে পি লৈঙাক অসি তশেংনমক লাইবক থীবা অমদি মায়োক্নরি। মণিপুর পিপল বিল তরাইবা নত্তে। এন এস সী এনগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট চম্না খন্দোকপা য়াবা নত্তে। নুংথিল পোবোবতা হাৎখিবা রবিনা, সঞ্জিৎকী কেস তরাইদে। ফাকাপকী কেস মশীং খঙদনা চোঙথোরল্লি। তোন্বীস্না স্কুল কেম্পসতগী ফংখিবা মীকোকশিংগী কেস, লোক্তাক ফুমদি শেংবগী কেস অসিনচিংবা কয়ানি। শ্রী বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক মনুংদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাফম থোইনা তানদে। মসিমক লাইবক ফবনি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক মনুংদা তশেংনমক শেঞ্জা থুমজা হায়বসি তৌদ্রবরা? মসিসু অচৌবা ৱাহংশিংগী মনুংদা অমনি। এম এল এ, মন্ত্রিশিং খুদিংমক তশেংনমক শেঞ্জা থুমজা তৌনদ্রবদি করিগী মীপায়নরুগনি।

মপূং ওইনা থমজনীংলিবদি কোংগ্রেসকী চহী কয়াগী লৈঙাক্তগী খরদি অহোঙবা লৈরে হায়বা খুঙ্গং খরদি মশক থোক্লা উহনবগী মতমনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঈং-তপ্পা লমদম অমা পুরক্লবা হোৎনবদা পার্টিগী লুচিং পুরেল নহা ওইরিবা শ্রী বিরেনগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ। এন এস সী এনগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রিমেন্ট, আই এল পিগী ৱাথোক, শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা কেসনচিংবা কয়া খোঙজেল য়াঙনা থবক পায়খৎপীরবদি চীং-তম অনীগী মরক্তা নুংদা ফুম্নরিবা কয়া ময়েক শেংহনবা চঙই। ‘চীংদা চৎসি’ অমদি ‘খুঙ্গং চৎসি’ হায়বা ফজরবা কয়াবু তরু তরুনা ময়েক শেংহনবা মথৌ তাই।

মসিগী মখা তারকপদা মণিপুরী ফুরুপশিংগী মরক্তা কাঙলূপ-ফুরুপকী চৎনবীগী ৱাংমদা নুপী অঙাংশিংগী মথক্তা লেপ্তুনা ৱাথোক লাক্লিবা - নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নবা খোঙ্গোইনবসি পূম্নমক্কী নত্তনা ঐখোয়গী চৎনবী মাঙশিল্লকপা মতম চানা কলহৌদ্রবদি থাজদ্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লমদম্নরক্কনি। মসি মপূং ওইনা থবক ওইনা খুদক খুদক্কী ৱারোইশিন থমহৌবা মতাং চারে। মরাল লৈবশিং মীনুংশি য়েংবগী মহুত্তা লোগী চপ চাবা থবক ওইনা মীয়ামদা উহনবদা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। চাক চগ্রিং অমনা পূম্নমক মাঙথোকপা হায়বা মীতৈগী পাউরৌ নীংশিংমিন্নদুনা অচুম্বা মীৎয়েংদা থবক ওইনা ওন্থোকপীরকপনা মীয়ামগী অপাম্বা ওইহল্লসি।◂◂

# নিংঙোলগী মপাম লমদম

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**মীওইবা** খুন্নাইগী চৎনবী অসি ওন্থোক্লা অঙকপা কয়াসু য়াওরি। নিংঙোল ওইবীগী খোইরি-নাওফম তাখিবা পালেম-পন্থৌগী য়ূম-ইঙ্খোল অদু হেক লুহোংদুনা য়ুম্নাক শাগৈবু ওনখ্রবদি ‘মপাম’ হায়বদু অদুম ওইখ্রবনি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা পালেম-পন্থৌ শাঙ্গাইদা নোক্লা খেনা শান্নজখিবা থৌদোক কয়াবু নীংশিংলুরগা নিংঙোল ওইবী কনাগী থম্মোয়নো নুংশিবা ফাওরক্লোইদবা ? হেক লুহোংখিবা নুমিত্তগী নিংঙোলনা মপামদা অহানবা খোঙদাবা অসি মঙানি চাক্কৌবা, মপাম চাক্কৌবা নুমিত্তগী মথংদনা থা ফাবগী মপাম অহানবা চৎপা অসিদনি। মসিদা নিংঙোল ওইবীশিংগী থম্মোয়দা ফাওরমগদবা ইহুল অদুদি নুপীশিংতনা খঙলমগনি। নুপা অমনা ফনা হৈশিংনা ফজনা শৈথাজরবসু নিংঙোল ওইবীশিংবু হরাউবা অমদি কপহনবদি খরা ৱানা থোক্কদরা হায়না খল্লি। মৌগীশিংদা চল্লবীশিংদা নপামদা চৎনিংব্রা হায়না খক হংলুনু (অদুম চৎনিংদুনতা লৈরবদুদা, হংলুবগী মথৌ অমুক তাদ্রবদুদা) হায়বগুম্না মপামদা লাকচবা নিংঙোলশিংদা “নঙ চাক চারগা হন্দোইরা?” হায়না খক হংফদে হায়নৈ। য়ুম্নাক শাগৈ ওল্লবা নিংঙোলশিংগী মফমদদি হায়রিবা ৱাহৈশিংসি খ্বাইদগী অশাওবীনি। অদুই শরুকপুদি ‘নঙ লাকপসিদি করি মথেল চাসিগে, চাক চারগা হনগদবনিকো (চাবা/চাদবা)’ হায়না য়াম্না নুংশিনা হায়বীগদবনি। নিংঙোলনা মপামদা লাকপদা মমিৎতগী মপি খক তাহৈদে হায়নৈ। অদুগা নিংঙোলনা থৌজাল-লনকুবীরম্বদি শোয়দনা মহয় ফংই হায়নসু থাজনৈ।

লুহেংবা নুমিৎকী অরোইবদা পলেম-পন্থৌ, মপন-মতোন, মচিন-মনাও খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্তুনা মতম খরখক্কী ওইবা সনা শঙ্গাইদু তুংওইনরল্লগা খোঙ থাংদোক্লকপদা নিংঙোলদুনা খল্লমগদবা অমদি তাইবঙ মপূদা নীজরমগদবা - “ইপামদা হল্লক্তুনা লৈবী হায়বা অদুতদি ওইহনবীগনু। ইপামগা মরীসু খক তৎনহনবীগনু। নুংঙাই য়াইফনা পালহনবীয়ুকো ইপাম লমদমসে” হায়না মীৎলুদা পিরাংনা থুমহৎপগা লোয়ননা। মতাংসিদা পালেম-পন্থৌগী শঙ্গাইদা নিংঙোলনা মমিৎতগী মপি ওরো-ওরো হেক তাবমখৈ মখোল থোক্লা কপ্পা তৌহৈদে হায়নসু হায়নৈ। মসিনা ওইরম্বা য়াই মচানুপীবু লুহোংবা থিনবদা অপোকপী মমাবু চৎপা য়াওহনদ্রিবসে। মমা-মচানা কপ্পা লাউনগদবদো উবদা মীয়াম পুম্বা থম্মোয় পুবা ঙম্লরোই খনবদগী মাল্লি। চাক পুখম অমত্তদা লাক্ল-লাক্লদুনা চামিন্নরম্বা মবুং-মৌপ্বাশিং অদু ময়ুম পানখ্রবা মতুংদগীদি নোংম-নোংমগী কাউশিল্লিক্লিবা। চুম্নগী মরী-মতাগুম্না সুম ওন্থোরল্লিবা।

মনম্মা নৎত্রগা মচন্নুপী মথোং চাদবী য়াওরকপদগী মতম পুম্নমক্তা শোন্থদুনতা লৈজরীবা নুংশিজখ্রবা মপামদুদা পুন্সিগী খোঙ্গুল তাবা ফংখিদবা নিংঙোলসু কোঙ্গাই অমনি। অপোকপা-অপোকপী মমা-মপানা লৈরিঙৈদদি (মরু ওইনা মমানা লৈরিঙৈদদি) নিংঙোলনা মপামদা চৎপগী নুংঙাইজবসি চপ-চানা ফংই হায়নৈ।

মমাগা লৈখিদ্রবা মতুংদদি মপামদা চৎনিংবগী চাংসি খঙহন হন্থখি হায়রিবসিসু অঙকপা অমনি। কুম অমগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মীৎলু পিরাংতনা পুমলুপ-লুপ্তুনা মপাম মায়কৈতবু য়েংলগা ৱানা খাঙজরিবা নিংঙোলশিংগী খল্লুবদা অকনবা কনাগী থম্মোয়নো কয়াম কুইনা পুবা ঙমগদবা? নিংঙোল ওইবীশিংনা হরাউবগী পিরাং মমিত্তগী হেক চিন্থবমখৈ হরাউ-মথোই কাজবা, থম্মোয় পেন্না নুংঙাইজবা নুমিৎনি চহী অমগী মনুংদা খৌরাংনা খূৎথেক্তুনা ঙাইজরকপা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পনবা নিংঙোল চাক্কৌবা - ঈ খোঙ্গুল লিরীবা য়াম্না নুংশিখ্রবা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিং অদুনা খুদোল তন্বীরম্বা মৈতৈ ঐখোয়গী ইনাৎকী কুম্মৌনি।

য়ুম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী, মৌগী শিংদা চনখ্রবী, লমদম তাম্না ওংখ্রবী নিংঙোলশিংনা মানা-মানা লৈজবা অরু-অনালগী ফিরোল শেৎ-চাদুনা নীংথিনা কে মৌদুনা ঙমজব হৈ-রা, অথুম-অহাও, অচা-অথকশিং পুদুনা নুংশিরবা মপাম লমদমদা পাঙজবনি। শোমদসু মপামগী মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা লৈবা-লৈতবা থৱায় য়াওনা অমদি নুংশিনা লাঙজবা চাকলেনদু নিংঙোলশিংগা হরাউ-হরাউনা চামিন্নদুনা অমদি ঙমজবা খুদোলপোৎ তম্বগা লোয়ননা নিংঙোলশিংনা য়াইফ-থৌজাল অমুক পীরম্বা য়াম্না নুংশিবা থৌরমনি।

মপামগী থোঙ্গালদগী মীৎয়েং তাম্নখিদ্রিবফাওবা নিংঙোলশিংবু মপামগী কাঙবুনা য়েংজহৌবা অদুগুম্বা নিংঙোল চাক্কৌবনি। অসুম্না নুংশিখ্রবা অমদি ফজখ্রবা ৱাহন্থোক কয়াগা শাগোন্নরিবা ইনাৎকী কুম্মৌ অসিবু ৱাখল থেনবা মীওই খরনা খুদোলপোৎ (দক্ষ্যনা)কী হিদান্নবরোমদা ওন্থোকপিদুনা নিংঙোল ওইবী কয়াবু কপহল্লিবা। মচাগী, মপূরোইবগী অমদি মনেম-মপুগী হোৎনবদা নোংমতসু খরাই থোঙ্গাল লানবা শংজদ্রবী নিংঙোলশিংনা হরাউ-হরাউনা মপামদা চৎচগদববু খাঙুথক্কী অরং-অরাক্কী পোৎ-চৈ খরদা ঙাওনখিবনা মৈতৈগী ৱাংখ্রবা ৱাঙুলোন অমদা শাগৎলকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী অশেংবা মশক্তা মরীং-মরাংবা থোকহল্লিবা। নিংঙোলশিংদা লাইনা তোঙানবা থৌজাল অমদি শোয়দনা পীরমগনি। মরমদি অদুক য়াম্না নুংশিখ্রবা ৱারীশিংদো কাউথোকহল্লি, অদুক হাক্লা কপহন্দে, ইমুং-মনুংগী কুপনোমদা, ঙাচেৎ-থুমচেৎকী খল্লিঙৈদা ফোন ঙাইহাক্তং তৌরগা মপামদা মমাগী অনাবদু ফাওবা হংবা শঙজদবা নুমিৎসু হেক ময়াওরমগনি। অঙাং হেক য়াওখিবদগী মপামদা চৎনিংবদু খাঙহন হেক হনবগুমসু তৌই। থবক চিনশিল্লকপগা লোয়ননা মপূরোইবগী য়ূম অনৌবা অদুদা হৈনবগুম হেনজিল্লকপা। ‘নখোয় য়ূম’ হায়রম্বদগী ‘ঐখোয়গী য়ূম’ হায়না হায়রক্লগনি মতাং অম্বাই য়ৌশিল্লক্লবদি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা চেন-চোঙদুনা শান্নজরকপা মপামগী য়ূমদু নিংঙোলনা মাগী য়ূমদৌনা খনবা ঙম্লক্তবা, ইকোই-কোইরকপা চাকখুম চঙবদা, উপু ফাকপদা, ফম্মুংদা হিপ্পদা য়াম্না ওইওইনবগুম ফাওরকপা। মাগীসু য়ূম ওইরকপনা হান্নদি মনীং-মখা তম্না থবক পূম্বা তৌজরম্বদু হৌজিক্তি মীগী য়ূমদা তৌবগুম্না খল্লকপা, মসিনি নিংঙোলগী হৌনশা। হয়েংদি মপাম চৎকনি, শজিবু চৈরাওবগী খুদৈ থিংনবা নুমিৎনি নৎত্রগা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনিকা হায়রবদি অহিংগা তূম্বা অমত্তা য়াবা নত্তে। হরাউদুনা, খোইরাংদুনা অমদি মশাদু মথুম-মরাং হৌদুনা তূম্বা চাবগা অমত্তা চঙবা নত্তে। মপামদা লৈহৌরিবা ময়ামদুদা পীজনিংবা অচা-অথক, অথুম-অহাও লৈবিনিংবা, মবোক হনুবীগী অরূম্বা ফি অমতং নিংথমথাগী ওইননবা লৈবিনিংবা, মনে লাকপদা হরাউজরিবা মবুং-মৌপ্বাগী মচাশিং (ময়াশিং)গী শান্নপোৎকনা লৈনিংলিবা, মখল-মথেলনি ৱাখলদা খল্লিবা। শেল পায়জদবা নিংঙোলশিংদি কয়াদা ৱারমগনি। অদুগা মপামদগী ময়ূমদা অমুক হল্লকপদনা মনেম-মকুগী করি করিনো খরা অমুক পুজরক্লবা হোৎনজরিবনি নিংঙোল ওইবিশিংসি। মপামদা য়াম্না ঙন্না চৎনিংমনখিদুনা ফনা ঙন্না হৌগত্তুনা হোৎনজবনি মকু-মনেমগী চাক অমুক থোংলম্বা, ফি-রোল শুদোক-চামথোক্লম্বনচিংবা থবক-ইনখাংশিংদা অদুম হেক্তা থেংখি। মপামদা খরা কুইনা লৈথোক্কে, ৱারী-ৱাতাই পেন্না শাদুনা নুংঙাইথোক্কে হায়না খল্লুবনি অদুবু য়াদে, নুমিৎ খরা হেক লৈথখিবদা কুইনা পন্থবা হেক ঙম্লক্তে। মশুশিং উদবদা মবোক্কা-মপূগনা লৈফম খঙলম্লরোই।

মপামদা নুংঙাই-য়াইফনা অমদি খুৎকন-পাঙ্গলনা পানবা নিংঙোলশিংনা কয়াদা পূক্লিং চাউথাক্লা পোঙনা হিংজরিবা অদুগা শেমদনা মপামলোমদা মাগীনি হায়বদা পান্থোম তিংবীনবা কনা লৈজদ্রবীশিংনা কয়াদা তোন্না মপুন্সি লেনজরিবা। মতৌ অসুম্না থাবদা লোইবা খম্বা নাইররোইদ্রবা নিংঙোলগা মপামগা লৈনরিবা মরীশিংসি য়াম্না নুংশিবা ঙাক্তনি। থম্মোয়গী মরীনি, ঈগী মরীনি॥◂◂

মমি ৱারী

## শিওনাথ ৱাক্রাম্বম




‘লেমন প্লানেটস’

মিদিয়ম : মিক্স মিদিয়া
(দিজিটেল কোলাজ)

‘গোৱা
এফোর্দেবল
আর্ট
ফেষ্ট
২০১৭’






‘এ দ্রিম’